# ২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতগী বোক্সিংদা মণিপুরগী মেরি কোম অমদি সরিতানা গোল্ড অমসুং ব্রোঞ্জ লৌরকখি



অহানবা ওইনা রুশুগী ইতিহাস অমা শাগৎলকপা মতমদদি, কন্নানসু থোইনা লুম্না লৌনরমদে। গেম মখলসিগী মতাংদা মমুত তানা মুন্না খঙবা মীসু ইরৈ লৈরমদে। অদুবু এসিয়ন গেমসতা মণিপুরী মচাশিংনা মেদল মথং মথং লৌবা ঙম্লকপদগী গেমস অসিগী মায়ওন চুম্লকখিবনি হায়বা য়াই। হান্না থওইনরমদ্রবসু, মমৈদদি মীয়াম্না খঙনবা গেম ওইরকপগা ইরোয়নবা "এ" কেটিগিরিদা লৈরকখি।

ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনসু মেদল ফজনা লৌবা য়াবা মশান্না অমনি খঙলকপদগী হেন্না থৱায় য়াওশিল্লকখি। লোয়ননা অখন্নবা মীৎয়েং থম্লকখি। হান্নদি ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট চৎলমদাই মতমদা কোচিং কেম্পকা তৌবসি সুপ্নগী নুমিৎ মঙা/তরানিদগী হেন্না তৌহল্লমদে। ইন্টরনেসনল টুর্নামেন্ট অমা চৎকদৌরি হায়বগী মওংদা তৌদবা য়াদবগুম মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্লম্মী। অদুবু, এসিয়ন গেমসতগী ব্রোঞ্জ মেদল অমা হেক পুরকপা ঙমখিবদগীদি থা অহুম মরি হেন্না কোচিং ফজনা তৌহল্লকখি। ইন্দিয়াগী মপান্দা চৎপা মতমদসু পোকেট মনি ফাওবা পীদুনা চৎহল্লকখি। অসুম্না, রুশু হায়বা মশান্নসি মণিপুর মচাশিংনা অৱাংবা থাক্তা পুখৎলক্নুনা ইন্দিয়াদসু নিংথিনা শক্তাক্লকখি। অমরোমদা, বিমোলজিৎপু রুশু মশান্নদা থোইদোক্লা শকখঙবীরক্নুনা, কুমজা ২০১২ দা ইন্দিয়াগী লেমজনিংঙাই ওইরবা 'অর্জুন এৱার্ড' কী মনা ইন্দিয়াগী প্রিসিদেন্ট প্রনাব মুখর্জিদগী খুৎথেংননা লৌবা ফংলকখি।

অদুগা, হৌজিক্তি বিমোলজিৎ মরমদম মণিপুরদা ২০১৬ তা হল্লক্নুনা য়ুথ এফেয়র্স এন্দ স্পোর্টস ডিপার্টমেন্ট, গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী মখাদা ষ্টেট কোচ ওইনা লৈরে। ষ্টেটসিদগী মশক নাইবা রুশু শান্নরোয় পুথোক্নবা হোৎনবরোমদা পূক্নিং ৱাখল থাদখ্রে।

গ্বাঙজৌ এসিয়ন গেমস অসিদা (২০১০) ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা লৌখিবা ব্রোঞ্জ মেদল ৩৪ অসিগী মনুংদা মণিপুর মচা এম সুরঞ্জয় (বোক্সিংগী কিলোগ্রাম ৫২ দা) অদুগা এম সী মেরি কোমসু (কিলোগ্রাম ৪৮-৫১ গী কাংলুপতা) লুপাগী মেদল অমমম ফংলকখি। গ্বাঙজৌ এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়ানা পুন্না লৌরকখিবা মেদলসি সনাগী ১৪ লুপাগী ১৭ শেঞ্জেংগী ৩৪ পুন্না ৬৫ নি। অদুগা ইন্দিয়ানা হায়রিবা গেমস অসিদা লৈখিবা থাক্তা তরুকশুবদনি। ২০১৪ দা পাঙথোকখিবা ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতদি ইন্দিয়াগী রেঙ্ক ৮ শুবদা হাইথরকখি। হায়রিবা গেমস অদুদগী ইন্দিয়ানা লৌরকখিবা মেদলনা সনাগী ১১, লুপাগী ১০, শেঞ্জেংগী ৩৬ পুন্না ৫৭ নি। ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসতা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মেদল ফজনা লৌরকখিবা মশান্না হায়রগদি এথলেটিক্স অমসুং স্বিমিংনি।

২০১৪ গী এসিয়ন গেমসকী আর্চরিদা সনাগী মেদল অমা লুপাগী অমা শেঞ্জেং অনী পুন্না মেদল মরি লৌবা ঙম্লকখি। আর্চরিগী কম্পাউন্দ মেন্স টিমদা সনাগী মেদল লৌরকখিবশিংদি রজাট চৌহান, সঞ্জিব কুমার অমসুং অভিশেক ভর্মানি। অদুগা সিলভর ফংলকখিবনা (কম্পাউন্দগী মেন্স ইন্দিভিজুয়েলদা) অভিশেক ভর্মানি। ব্রোঞ্জ লৌরকখিবশিংনা ৱিমেন্স ইন্দিভিজুয়েলগী কম্পাউণ্ডদা ত্রিশা দেব; কম্পাউণ্ডগী টিমদনা পুর্বশা শিন্দে, জয়োটি ভেননাম, ত্রিশা দেবনি।

এথলেটিক্সতনা সনাগী মেদল অনী, লুপাগী অহুম শেঞ্জেংগী ৮ লৌরকখি। ৱিমেন্স ৪ X ৪০০ মিটর রেসতা প্রিয়াঙ্কা পৱর, টিন্টুলুকা, মান্দিপ কৌর অমসুং পুভান্মা মাচেটিরানা সনাগী মেদল লৌরকখি। অদুগা দিস্কস থ্রোদনা সিমা পুনিয়ানা গোল্ড ফংলকখি। এথলেটিক্সকী কিলোমিটর ২০ গী ৱর্ক রেসতা খুসবীর কৌর, নুপাগী দিস্কস থ্রোদা বিকাশ গোদা, নুপীগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা টিন্টু লুকা অমদি নুপীগী হেম্মর থ্রোদা মঞ্জু বালানা লুপাগী মেদল লৌরকখি। অদুগা এথলেটিক্সকী নুপাগী মিটর ৪০০ গী লমজেলদা রজিব অরোকিয়ানা শেঞ্জেংগী অমা, নুপীগী মিটর ৪০০ গী রেসতসু পুভান্মানা ব্রোঞ্জ অমা, নুপীগী ষ্টিপলিচেস মিটর ৩০০০ গীদা ললিতা বাবরনা ব্রোঞ্জ অমা, মিটর ১,৫০০ লমজেলদা (নুপাগী) নবিন কুমারনা ব্রোঞ্জ অমা, সোট পুটতা ইন্দ্রজিৎ সিংহনা ব্রোঞ্জ অমা, জেভেলিন থ্রোদা (নুপীগী) অনু রানিনা ব্রোঞ্জ অমা, নুপাগী মিটর ৩০০০ গী ষ্টিপলিচেসতা নবিন কুমারনা ব্রোঞ্জ অমা পুন্না ব্রোঞ্জ নিপান মথংশিংনা ফংলকখি।

ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমস ২০১৪ অসিগী বোক্সিংগী কিলোগ্রাম ৪৮-৫১ গী কাংলুপতা মণিপুরগী মেরি কোমনা সনাগী মেদল অমা অমসুং এল সরিতানা (লাইট ৱেট কিলোগ্রাম ৫৭-৬০) লুপাগী মেদল অমা লৌরকখি। অতৈ ইন্দিয়াগী ওইনা বোক্সিংদা শেঞ্জেংগী মেদল লৌরকখিবা বোক্সরশিংদি বিকাশ কিষন (মিদ্দল ৱেট, কেজি ৭৫), সটিস কুমার (সুপর হেভি ৱেট কেজি ৯১ মথক) অমসুং পুজা রানি (মিদ্দল ৱেট কিলোগ্রাম ৬৯-৭৫) নি। ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমস ২০১৪ দা ইন্দিয়াগী বোক্সরশিংনা লৌরকখিবসি সনাগী অমা, লুপাগী মরি পুন্না মঙানি।

-মথং-মথং

**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**

**হঙ্গৎনা য়েংলুবদা এসিয়ন গেমস**

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ –৭৫

১। ৱর্ল্ড কপ ফুটবোলগী পুৱারীদা অহানবা ওইনা মায়োক্নবা টিমগী শান্নরোয়না কাওথৎতুনা মখোঙ তেকখিবা শান্নরোয় অদুগী মমিং পীয়ু।

২। টিম অসিনা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল তরেৎলকশুবা ওইনা ফাইনেল ষ্টেজদা শরুক য়াবা মতমদা স্কুল ওজা অমবু টিম কোচ ওইহনবগী লমদম অদুগী মীওই খরনা য়ানীংখিদে অমদি টিম অদু মথং রাউন্দ চঙবা ঙমখিদে। টিম অদুগী মমিং পীয়ু।

৩। হিমা দাসকী মমাঙদা মমিং চৎখিবা অসামগী এথলেট অমগী মমিং পীয়ু।

৪। মহাক্না ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল ফংবা ঙম্লবদি কিলোমিটর ১৭৫ মখোঙনা চৎকনি হায়না ৱাশকখি। মহাক লমজেল অদুদা মকোক ওইখি। মহাক্কী ৱাশক অদু ঙাক্তুনা মখোঙনা কিলোমিটর ১৭৫ চৎলগা ফাটিমাগী লাইশঙদা চঙদুনা ভিরজিন মেরিবু খুরুমজখি। মহাক কনানো?

৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ুক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বরময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## আই ও এনা পেনকাক সিলাটকী শান্নরোয় ২০ লৌথোকখ্রে, ফেন্দরেসন্না লিগেল এক্সন লৌখৎকদৌরি

ন্যু দেল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ মথং থাগী ১৮দগী ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোক্কদৌরিবা এসিয়ান গেমস শরুক য়াগনি হায়না ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিএসন্না মাঙজৌননা পেনকাক সিলাটকী শান্নরোয় ২০ খনগৎখিবা অদু লৌথোকখ্রে হায়না ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না মশান্না অসিগী নেসনেল ফেদরেসন্না লিগেল এক্সন লৌখৎকদৌরি।

নীংশিংবা য়াই থা অসিগী ৫দা ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিএসন্না ইন্দোনেসিয়া এসিয়ান গেমসকীদমক পুন্না শান্নরোয় ৫২৪গী মমিং লাউথোকখিবদা পেনকাক সিলাক্কী শান্নরোয় ২২গী মমিং য়াওখিবনি। অদুবু ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিএসন্না নৌনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুং ইন্না মশান্না অসিগী শান্নরোয় ২খক্কী মমিং য়াউরগা অতোপ্পা শান্নরোয় ২০গী মমিং য়াউরক্তবনি।

ইন্দিয়ান ওলেম্পিক এসোসিএসন (আই ও এ)গী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবা ৱারোল অমদা পেনকাক সিলাটকী শান্নরোয় ২২ খনখিবা অদুগী মনুংদা নুপী শান্নরোয় ২ খক লৌখৎলগা অতোপ্পা শান্নরোয় ২০গী মমিং লৌথোকখিবনি।

আই ও এগী মায়কৈদগী মাংজৌননা এসিয়ান গেমসকীদমক খনখ্রবা পেনকাক সিলাটকী শান্নরোয় ২২ খনখ্রবা মতুং ২০গী মমিং লৌথোক্লগা শুপ্নগী শান্নরোয় ২খক এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াবা য়াগনি হায়বগী চেরোল অমা নৌনা থোরকপা অসিদা ইন্দিয়া পেনকাক সিলাট ফেদরেসন্না নুঙাইতবা ফোঙদোকরগা লোয়ননা মশান্না অসিগী শান্নরোয় এসিয়ান গেমসতা শরুক য়াবগী অয়াবা পীরক্লগা শুপ্নগা শান্নরোয় ২খক শরুক য়াবা য়াগনি অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয় ২০ য়াররোই হায়না ফোঙদোরগকপা অসিদা পেন্দদুনা লীগেল এক্সন লৌগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

# ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম মালেমগী হোক্কি শান্নবা লৈবাকশিংগী মথং মনাউগী পরীংদা মঙাশুবা থাক্তা হাইগৎখ্রে



ন্যু দেল্লি, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ মালেমগী হোক্কি শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইবা মথং মনাউগী পরীংদা ইন্দিয়াগী টিম মঙাশুবা থাক্তা হাইগৎপা ঙমখ্রে। ৱাফম অসি ইন্টর্নেসনেল হোক্কি ফেদরেসনগী মায়কৈদগী খ্বায়দগী নৌনা ফোঙদোরকপা পরীংদা য়াওখিবনি।

ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম অসিনা মমাঙগী সিজনদা শরুক য়াদুনা শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবদগী মমাঙদা লৈরম্বা থাক অদুদগী হাইগৎপা ঙমখিবনি।

চৎলিবা থা অসিগী অঙনবদা নেদরলেন্দসগী সিটি ব্রেদাদা পাঙথোকখিবা মালেমগী হোক্কি টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিববা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী হোক্কি টিম্না উৎখিবা পর্ফোমেন্স অদুনা মরম ওইরগা মালেমগী মথং মনাওগী ওইবা পরীংদা ৫শুবা পোজিসন্দা হায়গৎপা ঙম্লিবনি।

নেদরলেন্দসনা য়ুম্মু ওইদুনা পাঙথোকখিবা ইন্টর্নেসনেল হোক্কি ফেদরেসনগী মখাদা পাঙথোকপা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না মালেমগী হোক্কি শান্নবা নুপাগী টিমগী মকোক মথং তাবা পরীংদা খ্বায়দগী মকোক্তা লৈবা ঙম্লি।

নেদরলেন্দসকী ব্রেদাদা পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী টাইটল লৌবা ঙমখিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী টিম্না হন্দক্কী টাইটল অসি থারগা পুন্না চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী অপুনবা টাইটল ১৫রকশুবা ওইনা লৌবা ঙমখিবনি। টিম অদুনা নেদরলেন্দসকী সিটি ব্রেদাদা কুমজা ২০১৮দী পাঙথোকখিবা চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কি টুর্নামেন্টকী ফাইনেলদা ইন্দিয়াগী টিম্মু মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

মালেমগী ওইবা নুপাগী হোক্কি শান্নবা লৈবাকশিংগী ওইনা ওষ্ট্রেলিয়ানা পুন্না পোইন্ট ১৯০৬ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা অর্জেন্টিগী টিমদগী পোইন্ট ২৩ হেন্দুনা লৈরি। মথং মনাউগী পরীং অসিদা সাউথ অমেরিকাগী টিম অমা ওইরিবা আর্জেন্টিনাগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১৮৮৩ ফংলগা অনীশুবা পোজিসনদা লৈবা ঙম্লি।

মকোক মথং তাবগী পরীং অসিদা বেলজিয়মগী টিম্না পুন্না পোইন্ট ১৭০৯ ফংদুনা পরীং অসিগী অহুমশুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লি। মখোয়গী মতুংদা নেদরলেন্দসনা পুন্না পোইন্ট ১৬৫৪ ফংদুনা ৩শুবা পোজিসন্দা লৈরি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী হোক্কি টিম অসিনা পুন্না পোইন্ট ১৪৮৪ ফংদুনা টিম অসিগী মমাংদা লৈরম্বা জর্মনিগী টিম্মু মখা তাহন্দুনা ৫শুবা পোজিসন্দা লৈবা ঙম্লিবনি। ইন্দিয়ানা লৈরিবা পোজিসন অসিগী হেক মখং জর্মনিগী নুপাগী হোক্কি টিম পুন্না পোইন্ট ১৪৫৬ ফংদুনা ৬শুবা পরীংদা লৈবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী টিম অসি মমাঙদা ৬শুবা পোজিসন্দা লৈরম্বনি। টিম অসিনা তোঙান-তোঙানবা টুর্নামেন্টশিংদা য়াম্না ফজবা পর্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবগীদমক মখোয়না হান্না লৈরম্বা থাক অদুগী হায়গৎপা ঙমখিবনি।

## ফিফা ৱর্ল্ড কপ ২০১৮গী ফাইনেলদা ফিল্ডদা চেনশিল্লকখিবা মীওইশিং জেল সেন্টেন্স পীখ্রে



মোস্কো, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ মালেমগী ফুটবোল মশান্নগী ওইনা খ্বায়দগী থাক ৱাংবা টুর্নামেন্ট ওইরিব ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ওইনা থা অসিগী ১৫দা য়ুম্মু ওইখিবা রসিয়াগী কোনুং মোস্কোগী লুজনিকি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ফ্রান্স অমসুং ক্রোসিয়ানা শান্নখিবা ফাইনেল মেচ অদুগী মনুংদা মেচ অদুবু মীৎয়েং তাবা লাকখিবা মীওইশিংগী মনুংদা ফিল্ড মনুংদা চেনশিল্লখিবা মীওইশিং অদু নুমিৎ ১৫নীগী ওইবা মীয়াৎ পীখ্রে।

পনবা য়াবদি ফ্রান্স অমসুং ক্রোসিয়ানা শান্নখিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮গী ফাইনেল মেচ অদুগী শান্নরিঙৈ পুলিসকী ফিজোল শেৎতুনা ফিল্ড মনুংদা চেনশিল্লখিবা মীওই মরিমক মেচ অদুগী সেক্যুরিটিগী মীওইশিংনা ফাদুনা মেচ অদুবু অয়েৎপা লৈতনবা ফিল্ডগী মপান্দা চিংথোকখি।

ফিল্ডদা চেনশিল্লকখিবা মীওই মরীমক ফাইনেল মেচ অদুগী জজনা মখা তাবা শান্নবগী কুম্মৈশিংদা চহী ৩ শরুক য়াবা য়ারোইদবগী ৱারেপ পীখি। মরাল লৈরবা ফ্রান্স অমসুং ক্রোসিয়াগী ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী মরক থৎখিবা মীওইশিং অদুদি-ভেরোনিকা নিকুলসিনা , ওলগা পাখুসোভা, ওলগা কুরচেনোভা অমসুং পীয়োর্ট ভরজিলোবনি হায়না রসিয়াগী মমিং চৎপা ওফিসিএস অমনা ফোংদোকখি।

ফাইনেল মেচ অদুগী শান্নরিঙৈ ফিল্ড মনুংদা চেনশিল্লকখিবা মীওই রসিয়াগী ওইবা 'পঙ্ক বেন্দ'গী মীওই ঙাক্তনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

## ইন্দোনেসিয়াদা এসিয়ন গেমসকী মৈরা মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে



জকর্টা, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ চহী অসিগী ওগষ্ট ১৮ দগী সেপ্টেম্বর ২ ফাওবা ইন্দোনেসিয়ানা য়ুম্মু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ শুবা এসিয়ন গেমসকী মৈরা লৈবাক অদুগী সিটি য়োগিয়াকর্টা য়ৌরকপদা মফম অদুদা লৈবা মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওকখ্রে।

এসিয়ন গেমস অসি মালেমগী খ্বাইদগী চাওবা শান্নবগী কুম্মৈ ওইরিবা ওলিম্পিক গেমসকী হেক মথংদা অনীশুবা থাক্তা লৈরিবা শান্নবগী কুম্মৈ অমা ওইরিবনি।

ইন্দোনেসিয়াগী সিটি জকর্টা অমসুং পালেম্বাংদা এসিয়াগী লৈবাক ৪৫ দগী লাকপা শান্নরোয় ১১,০০০ রোম অমসুং ওফিসল ৫,০০০ রোম্না শরুক য়াদুনা লম্বা তৌনগদৌরিবনি।

এসিয়ন গেমসকী মৈরা অদু হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা কুমজা ১৯৫১ দা এসিয়ন গেমসকী অহানবা হৌদোকফম ওইখিবা ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদগী চুখৎতুনা ইন্দোনেসিয়াদা পুরকখিবনি। মৈরা অদু ইন্দোনেসিয়াগী য়োগিয়াকর্টা সিটি য়ৌরকপদা মফম অদুগী চৎনবীগী জগোই অমসুং মিলিটরিগী বেন্দনচিংবা কয়ানা হরাও তরাম্না ওকখি। মৈরা ওকপগী থৌরম অদুদা ইন্দোনেসিয়াগী মৈরা অদুগী এম্বেসেদর ওইরিবা বেদমিন্টন শান্নরোয় সুসি সুসান্তিনা এয়রপোর্টতগী ওক্লগা সিটি অদুগী মরুওইবা লম্বেল কয়াদা পুদুনা লৈবাক অদুদা শান্নবগী ইথিল পুরকখি।

## ইংলেন্দনা ইন্দিয়ন ক্রিকেট টিমবু ৩ শুবা ৱান ডে মেচতা ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে

লন্দন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ ইন্দিয়া অমসুং ইংলেন্দনা শান্নরিবা ক্রিকেট সেরিজকী মনুং চনবা অহুমশুবা ৱান ডে মেচ অদুগা য়ুম্মু লৈবাক অদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা মায়থীবা পীখ্রে।

লিদচ ক্রিকেট গ্রাউন্দদা ঙসি ইংলেন্দগী কেপ্টেন ইওন মোর্গাননা টোস ঙমদুনা ফিল্ডিং হান্না তৌখি। ইন্দিয়ানা মদুদা বেটিং তৌরকপদা অপীবা ওভর ৫০ দা ৱিকেট ৮ তুরগা রন ২৫৬ লৌবা ঙমখি। ইন্দিয়াগী ইন্নিংস হৌরকপদা ফিভম শোকখি। ওপনর রোহিট শর্মা ইংলেন্দগী বোলিং এটেক অদুদা মহাক্কী ফজবা ফোর্ম অদু লাকপা ঙমদনা বোল ১৮ মায়োক্নরগা শুপ্নগী রন ২ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী রন ১৩ খক লৌখি।

কেপ্টেন ভিরাত কোলি অমসুং অতোপ্পা ওপনর সিখর ধৱননা ইন্নিংস অদু শেমগৎতুনা অনীশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপতা রন ৭১ হাপচিল্লগা লৈরিঙৈ সিখর ধৱন রন ৪৪ দা আউট ওইখি। মহাক্না বোল ৪৯ মায়োক্নবদা ফোর ৭ য়ৈরমখি। ধৱনগী মহুৎ দিনেস কার্টিকনা মহুৎ শিল্লকখি। কার্টিক অমদি কেপ্টেন ভিরাত কোলিনা অহুমশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপকীদমক শান্নরকপদা রন ৪১ হাপচিন্দুনা লৈরিঙৈ অপুনবা স্কোর ১২৫ শুরকপদা কার্টিক রন ২১ লৌরম্লগা আউট ওইখি।

কার্টিক্কী মহুৎ ইন্দিয়াগী মমাংদা কেপ্টেন ওইরম্লবা ৱিকেটকিপ্পর মহেন্দ্র সিংহ ধোনিনা শিল্লকখি। মহাক্না ভিরাত কোলিনা মরিশুবা ৱিকেট পার্টনরসিপ অদুদা রন য়াম্না লৌবা ঙমদ্রবসু ৩১ হাপচিল্লগা অপুনবা স্কোর ১৫৬ শুরকপদা কেপ্টেন ভিরাত কোলি রন ৭১ দা আউট ওইখি। ভিরাত কোলিনা মহাক্কী ইন্নিংস অদুদা বোল ৭২ মায়োক্নবদা ফোর ৮ য়ৈরমখি।

ভিরাত কোলিগী মহুৎ সুরেশ রাইনা শিল্লকখি। মহাক রন অমখক লৌরম্লগা আউট ওইবদগী তরেৎশুবা বেটসমেন হার্দিক পান্দিয়া শান্নবা চঙলকখি। ইন্নিংস অদুগী ৩৯ শুবা ওভরগী অনীশুবা বোলদা হার্দিক পান্দিয়া বোল ২১ দা রন ২১ লৌরম্লগা আউট ওইখি। মতম অদুদা ইন্দিয়াগী অপুনবা স্কোর ১৯৪ লৈখি। নৌনা চঙলকপা ভুবনেশ্বর কুমার অমসুং এম এস ধোনিনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ২২০ লাম্থোকহনবা ঙমখি। অপুনবা স্কোর ২২১ য়ৌরকপদা ধোনি বোল ৬৬ মায়োক্নরগা রন ৪২ দা আউট ওইখি। মদুগী মতুং সারদুল থাকুর অমসুং ভুবনেশ্বর কুমারনা ইন্দিয়াগী স্কোর অদু ২৫৬ শুহল্লকখি। ইন্নিংসকী অরোইবা বোলদা ভুবনেশ্বর কুমার রন ২১ দা আউট ওইরগা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস লোইশিনখি।

মায় পাক্নবা রন ২৫৭ কী টার্গেট অদু ইংলেন্দগী বেটসমেনশিংনা ৪৫ শুবা ওভরগী অহুমশুবা বোলদা ৱিকেট ২ খক তুরগা রন ২৬০ লৌদুনা ইন্দিয়াবু ৱিকেট ৮ দা থোইখিবনি। টিম অদুগী বেটসমেন জো রুট আউট ওইদনা রন ১০০ লৌবা ঙমখি। লোয়ননা টিম অদুগী কেপ্টেন ইওন মোর্গানসু আউট ওইদনা রন ৮৮ লৌদুনা ইন্দিয়াগী বেটসমেনশিং অদুবু মখোয়না খুদুম চল্লগা মেচ অদু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

ইংলেন্দগী ইন্নিংস হৌরকপদা ওপনর জোনি বারষ্টো রন ৩০ দা আউট ওইখি। মহাক্কী মতুং অতোপ্পা ওপনর জেমস ভিন্স রন ২৭ তা আউট ওইরগা ওভর ১০ চঙশিল্লকপদা ইংলেন্দগী স্কোর অদু ৱিকেট ২ দা রন ৭৪ লৈখিবনি। মখা তারকপদা জো রুট অমসুং মোর্গাননা আউট ওইদনা মেচ অদু ৱিকেট ৮ দা ইন্দিয়াবু থোইদুনা ৱান ডে সেরিজ অসিদা মখোয়না ইন্দিয়াবু মেচ ২-১ দা মাংজিল থাদুনা লৈরি।

## ইন্দিয়াগী ভর্মা আর্চরি ৱর্ল্ড কপতা ৩শুবা পোজিসন তাখ্রে



বর্লিন, জুলাই ১৭ (এজেন্সী)ঃ জর্মনিগী কোনুং বর্লিনদা পাঙথোকপা আর্চরি ৱর্ল্ড কপকী মরিশুবা তাঙ্কক্কী ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী আর্চর অবিশেক ভর্মা অহুম শুবা পোজিসন তাখ্রে। এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা ইন্দিয়াগী ভর্মানা কম্পাউন্দ আর্চরিগী ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদু লোইশিল্লকপদা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবনি। হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা নেদরলেন্দসকী আর্চর মাইক স্লোসরনা মকোক ওইখি। ৱর্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়াখিবী ইন্দিয়াগী নুপীগী আর্চর মমাংদা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান ওইরম্লবী দিপিকা কুমারি ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা ৯শুবা পোজিসন তাখি। মহাক্না পুন্না পোইন্ট ৬৪১ ফংলগা ক্বালিফিকেসন রাউন্দ অদুগী লোইশিল্লকপদা ৯ শুবা পোজিসনদা লৈখিবনি।